সিএবিনা মণিপুর পিপল’স বিল সুপরসিদ তৌরেঃ লোকেশ্বর

‘মণিপুর পিপল’স প্রোটেক্সন বিলগীদমক প্রসিডেন্টকি অয়াবা করম্না লৌদৌরি’

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ সেন্টর অমদি ষ্টেটতা কন্ট্রাদিক্টেরি ওইবা বিল অনী পাস তৌরবনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টনা লোক সভাদা পাস তৌরিবা সিটিজেনসিপ(এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিনা ষ্টেটনা পাস তৌখিবা বিল অমা সুপরসিদ তৌরে হায়না কংগ্রেস এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

মতৌ করম্না বিজেপিনা লুচিংবা ষ্টেট গবর্ণমেন্ট অসিনা মণিপুর পিপল’স প্রোটেক্সন বিল ২০১৮গীদমক প্রসিডেন্টকি এসেন্ট লৌগদৌরি হায়নসু এমএলএ লোকেশ্বরনা হংলক্লি।

লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অসিনা এক্ট ওল্লক্ত্রিঙৈ ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাম্হেংনসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি শগোলমাংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেনগী ফ্রী স্পিসিয়েল রিভিজন কোচিং ক্লাস লোইশিনবগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা খুন্দ্রাকপম এসিগী এমএলএ লোকেশ্বরনা হায়, সিটিজেনসিপ(এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা অমুক হন্না পাস তৌহন্দুনা এক্ট ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌরক্তনবা বিজেপিনা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা সিএসওশিং অমদি কম্যুনিটি খুদিংমক্লা পুন্না লেপ্তুনা থেংনসি।

বিজেপিগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী হায় কম্মান্দনা সিটিজেনসিপ(এমেন্দমেন্ট) বিল অসি একসেপ্ট তৌনবা ষ্টেট গবর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর পীরকপা মতমদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট বিজেপিনা রিজেক্ট তৌবা ঙমগদৌরিব্রা হায়না হংলদুনা এমএলএ লোকেশ্বরনা হায়, এময়ু ক্রাইসিস মনুংদা ষ্টেট অপুম্বনা দিমান্দ তৌরবসু হায়রিবা চিফ মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট গবর্ণমেন্ট অসিনা এময়ুগী প্রোফেসর অমা ফাওবা লৌথোকপা ঙমখিদবনি।

বিজেপিনবু পাল্লবদি ষ্টেট অসিদা অমদি ইন্দিয়াদা ইরাং হেক্তা থোকই হায়না বিজেপিবু মরাল শীরদুনা কংগ্রেস এমএলএ টিঐচ লোকেশ্বরনা হায়, মণিপুরবু অমদি ইন্দিয়া অপুম্ববু মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা বিজেপিনা চথরকপা প্লোট খুদিংমক্তগী ষ্টেট অসিবু কন্নবা ষ্টেট অসিগী মীয়াম অমত্তা ওইনা লেপসি।

লাক্কদৌরিবা ঐচএসএলসি এগজামিনেসন ২০১৯গীদমক মহৈরোয়শিংনা শেম শাবদা ঙসি লোইশিল্লিবা ফ্রী-কোচিং কেম্প অসিনা চাওনা মতেং পাংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্লা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

ৱাল কেলেন্দর অমদি দাইরি ফোঙখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ মণিপুর গবর্ণমেন্টৱাল কেলেন্দর অমদি দাইরি ২০১৯ ঙসি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স(আইপিআর) সেক্রেটরি অথেম মুইভানা ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মহাক্কি ওফিস চেম্বরদা ওফিসিয়েল ওইনা রিলিজ তৌখ্রে।

ৱাল কেলেন্দর ২০১৯ অসিদা মমাঙগী চহী ২০১৮দা গবর্ণমেন্টনা পায়খৎখিবা থৌরাংশিং অমদি গবর্ণমেন্টকি এচিভমেন্টশিং উৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ফজরবা মফম কয়াসু উৎলি। শ্রী শ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ, ইম্ফালনা এপ্রুভ তৌবা মণিপুরী থবান অমদি জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টকি হোলিদে লিষ্ট কেলেন্দর অমদি দাইরি অসিদা য়াওরি।

দাইরি অসি রাঞ্চিদা বেজ তৌবা ফর্ম এম / এস এএসএন কম্যুনিকেসনা প্রিন্ট তৌবনি অদুগা কেলেন্দর অসিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকি রিলায়েবল এজেন্সিনা নম্বনি। কেলেন্দর অমদি দাইরিগী মমল মথংশিংনা লুপা ৮০ অমদি ১৭০নি। জানুৱারী ১৪দগী মোইরাংখোম অমদি কৈশাম্পাৎতা লৈবা দিআইপিআর ওফিসতা মীয়ামদা ফংহনবা হৌরগনি।

ঙসিগী কেলেন্দর অমদি দাইরি ফোঙবগী থৌরম অদুদা আইপিআরগী দিপ্যুটি সেক্রেটরি এম কমলা, জোইন্ট দাইরেক্টর আইপিআর দল্লিয়ু ফজতোম্বী অমদি অন্দর সেক্রেটরি(আইপিআর) এ হিরাসু শরুক য়াখি।

‘য়েলহৌমীশিংগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবা বিলনি’

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ লোক সভাদা পাস তৌখিবগী থৌওং য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ুপিএফ) মণিপুরনা চেরোল অমদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হায়রিবা বিল অসিনা মণিপুরগী মীশিং য়ামজদবা মীওইশিংদা অচৌবা খুরৌ থাংবা অমদি ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈফু অমা ওইহল্লগনি হায়রি।

হান্নদগী ইন্দিজিনস পীপলশিংবু প্রোটেক্সন তৌবীনবা লো অমা অমদি মান্নবা আইন অমা শেম্বীয়ু হায়দুনা কন্না হায়রিঙৈ তাল্লকসিদা পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি অফগানিষ্টানগী হিন্দু, জেইন, বুধিজ, খৃষ্টিয়ান, পার্সি, সিখ অসিনচিংবা মীওইশিং ইন্দিয়াদা চহি ৬ লৈহল্লবা মতুংদা ইন্দিয়ান সিটিজেন ওইবা য়াবগী বিল অমা পাস তৌখিবা অসিনা হেন্নদুম চৈথেং ফংদুনা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং অসি মুৎখিনবা শিনবা ওইনা থোক্লগনি।

সেন্তরদা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা অমদি মখোয়গী অপাম্বা অদু ফংনবা হোৎনবগা লোয়ননা রাজনিতিগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগী অৱাং নোংপোক লমদম অমদি মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিংদা হেন্নদুম অৱাবা পীনবগী লাল্লোং অমা চঙশিল্লক্লে হায়না লৌগনি।

মণিপুর গবর্ণমেন্টনা মতম চানা মণিপুর প্রজাগী অপাম্বা অসি সেন্ত্রেল গবর্ণমেন্টদা বিল অসি য়াবা ঙল্লোই হায়বগী অকনবা ফিরেপ অমা থমগদবনি অমদি মণিপুরনা হেন্না লুম্না লৌদুনা ফম কোন্দুনা লৈবগী মতম অদু নৎত্রে। রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনদনা, খেৎনবা ৱাখল্লোন থম্নদনা লমদম অসিবু কন্নবগীদমক পুন্না বিল অসিগী মায়োক্তা য়াদে হায়বগী ফিরেপ অদু পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্লা পুন্না লৌমিন্নগদবনি হায়রি।

লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা লুপশিং অমদি মহৈরোয়গী লুপশিংনা বিল অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা য়ুপিএফ, মণিপুরনা মপুং ফানা শরুক য়াবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্লা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নরসি হায়না অরোইবদা থল্লক্লি।

অমরোমদা, কম্মিটি ওফ সিবিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সিসিএসকে) না থাদোরকপা চেরোল অমদা অৱাং নোংপোক লমদম কাইরক্কদবা মীতোপ (পাকিষ্টান, অফগানিষ্টান অমদি বাংলাদেশকী হিন্দু, জেইন, বুধিষ্ট, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চৎপা) কয়াবু ইরাই লাইনা ইন্দিয়ান সিটিজেন ওইহনগদৌরিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ পু লোক সভাদা পাস তৌখিবসিনা তাকপদি ইন্দিয়াগী ফ্রেমৱার্ক খক্তং য়েংলগা অপিকপা কম্যুনিটি কয়াগী খন্দবনি হায়রি।

ওল মণিপুর ৱুমেন’স ভলন্টরি এসোসিয়েসন (অমাৱোভা) না থাদোরকপা চেরোল অমনসু হন্দক্তা নৌনা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসি বাংলাদেশ, পাকিষ্টান অমদি অফগানিষ্টানদগী ইন্দিয়াদা লাকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট অমদি খৃষ্টিয়ানশিংনা ইন্দিয়াদা চহি ৬ লৈরবদি ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইবা য়ারগনি হায়রিবা অসি ইন্দিয়াগী চঙশিল্লক্লিবা রিলিজনদা য়ুম্ফম ওইনা শেমগৎলকপা লৈঙাকনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে উৎথোরকপনি। অসিগুম্না বিল অসি অমাৱোভানা কন্দেম তৌই অমদি বিল অসি কৈদৌনুংদা এক্ট ওনবা য়ারোই হায়রি।

পুলিসনা কোর্টতা পুথোক্লগা এনআইএনা অমুক ফাজিনখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ কেৱাইকেএলগী কাদর ওইরম্বদগী কেসিপি (পিপল ৱার গ্রুপ) কী ভেল্লি কম্মান্দর ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাখিবা লাইশ্রম আনন্দ এলাইজ সনা ঙসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না মখোয়গী কষ্টদি মতম লোইদুনা ঙসি সিজেএম ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরক্লবা মতুং কোর্টকী অয়াবা লৌরগা এনআইএনা অমুক লাইশ্রম আনন্দ ফারগা নুমিৎ ১০ নিগী কষ্টদি লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, ২০১৫ গী জুন মরিদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পরাওলোনদা এম্বুস চখদুনা তরুকশুবা দোগ্রা রেজিমেন্টকী ৱার্সোনেল ১৮ হাৎখিবা অমদি পার্সেনেল ১০ শোকহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবগী লাইশ্রম আনন্দ এলাইজ সনা এনআইএনা ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মীশকনি।

লাইশ্রম আনন্দ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবু অমনা হৌখিবা দিসেম্বর ২৮ দা চজিং করাম মখা লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদগী ফাখিবনি। কেসিপি (পিপল ৱার গ্রুপ) ৱার গ্রুপনা মমাং চহিদা চীফ মিনিষ্ট্ররদা সোসিয়েল মেদিয়াদা থ্রেট তৌখিবগা মরি লৈননা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

মহাকপু ঙসি সিজেএম ইম্ফাল ৱেষ্টচকী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং পরাওলোন এম্বুসকা মরি লৈননা এনআইএননা লৌখৎপা কেস অমগা মরি লৈননা এনআইএনা অমুক লাইশ্রম আনন্দবু ফোর্মেল ওইনা ফারগা নুমিৎ ১০ নিগী মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখিবনি।

কেন্দ্রগী নুমিৎ লৈরোই

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ চীফ মিনিষ্টর লৈরোইদবনা(আউট ওফ ষ্টেসন) মরম ওইদুনা লাক্লিবা অনীশুবা থাজ নুমিৎ, জানুৱারী ১২ দা ‘কেন্দ্রগী নুমিৎ’ লৈরোই হায়না পার্সোনেল সেক্রেটরি / পিআরও টু সিএমগী চেরোল অমনা পল্লদুনা মথংগী কেন্দ্রগী নুমিৎকী তোঙানবা নোটিস অমা কোন্না থোক্কনি হায়রি।

ফাখিবা ড্রাইভর থাদোরক্লবা আপিল তৌরি

চুরাচান্দপুর পাউমীদগী

চুরাচান্দপুর, জানুৱারী ১০ঃ চুরাচান্দপুর-সিংঙাৎ রোডতা লৈবা থবক মফমদগী নুমিৎ ২১ নিগী মমাংদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা ড্রাইভর কাই র‍্যুবেনবু তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরক্লবা চুরাচান্দপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ৱাইফেগী লুপশিংনা ঙসি আপিল তৌখ্রে।

ৱাইফে পিপলস কাউন্সিল (ভিপিসি) লিংসিফাই ব্লোক, জিল্লাই চুরাচান্দপুর ব্লোক(ৱাইফে ষ্টুডেন্টস এসোসিয়েসন) অমসুং য়ং ৱাইফে এসোসিয়েসন(ৱাইভিএ) হাওপি ব্লোকনা পুনশিল্লগা শেম্বা জোইন্ট সিলিব সোসাইটি ওফ ৱাইফেস ইন চুরাচান্দপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হৌজিক ফাওবদা ডিষ্ট্রিক্ট এডমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মরু ওইনা পুলিসনা লৌখৎলিবা থবক্তা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা কাই র‍্যুবেনবু তেক্ত কায়দনা অথুবা মতমদা হিংনা থাদোকহন্নবা অমদি সোসাইটি অসিদগী সোসিয়েল ইভিলশিং মুৎথনবা সিষ্টর ওর্গনাইজেসনশিং পুম্নমক খুৎশম্নরসি হায়রি।

মহাকপু তেক্ত কায়দনা থাদোকহন্নবা ডিষ্ট্রিক্ট এডমিনিষ্ট্রেসন অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখা তানা হোৎনবিনবসু মখা তানা আপিল তৌরি।

মশাগী চহি ২১ শুবরা কাই র‍্যুবেন সস্পেণ্ডসন ওফ ওপরেসন, সুদা য়াওদবনি হায়না ক্লেইম তৌবা গ্রুপ অমনা রেন্সমগীদমক হৌখিবা ডিসেম্বর ২১ দা ফাখিবনি। মহাক ফাখিবা নুমিৎ ২০ নি হেনখ্রবসু মহাক মফম কদায়দা লৈরি নৎত্রগ থাদোরকপগী পাউ অমত্তা ফংবা লৈত্রি। কাই র‍্যুবেন ফাখিবা অসিনা চুরাচান্দপুর অমসুং সিংঙাৎকী মরক্তা লম্বী শেম্বগী থবক লেপ্তুনা লৈরে হায়রি। কাই র‍্যুবেন রোড গ্রেডর মেছিন অমা থৌরিঙৈদা ফাখিবনি হায়রি।

রিফোর্মিষ্ট ষ্টুডেন্টস ফ্রন্টনা কণ্ডেম তৌরক্লি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ সিটিজনসিপ এমেণ্ডমেন্ট বিল ২০১৬ লোক সভাদা পাস তৌখিববু রিফোর্মিষ্ট ষ্টুডেন্টস ফ্রন্ট, আরএসএফনা অকনবা মওংদা কণ্ডেম তৌই হায়রি।

বিল অসিনা ঐখোয়গী য়ুমথংরিবা লৈবাক বঙ্গলাদেস, পাকিষ্টান অমদি অফগানিষ্টানদগী অরানবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিং অসি ইণ্ডিয়াগী সিটিজনসিপ পীবগী অয়াবা অসিবু ইরৈপাক(মণিপুর) গী মীয়াম্না অমদি আরএসএফনা অকনবা মওংদা কণ্ডেম তৌই হায়না চেরোল অমদা মখা তারক্লি।

বিল অসিনা থাইনদগী ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈজরক্লিবা লোল, কলচর অমদি য়েলহৌমীশিংদা অমুবা কালি তৈবনি হায়না আরএসএফনা লৌই। বিল অসিনা সবেন সিষ্টর হায়না খঙনরিবা মতাইগী বাউণ্ডরিসিদা ইণ্ডিয়াগী কোলোনিয়েল রুলগী মখাদা লৈবগী শকফম উৎলগা এডমিনিষ্ট্রেসন তৌরক্লিবা অসিদা ঈশিং ইচাওগুম মীতোপশিংনা থাইনদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংদা অকায়বা পীরক্কদবা মরম্না হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌহন্নিংই হায়রি।

মীয়ামগী ইহুল খঙদনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক মীয়ামগী ওন্ন-তৈনবদা থবক তৌরক্লবদি ইরাং থোক্লবা মীয়ামদা চাক্লিবা মৈদা ঘী হৈবগুম থোক্কনি।

ট্রিপুরাদা ট্রিপুরি মুৎখিবগুম ইরৈপাক মণিপুরদসু য়েলহৌমী মুৎলোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়বা ৱাফমসু থল্লক্লি।

শিন্মী অনি শকখঙদবশিংনা ফাখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ নেসনেল হায়ৱে-৩৭ (ইম্ফাল-সিলচর) পরিংদা উকু (কলভর্ট) শেম শাবগী থবক শুবা য়াওবা কন্সট্রক্সন কম্পনি অমগী শিন্মী অনি লানহৌলুপ জেদয়ুএফকী কাদরনি চিংনবা মশকখঙদবা মীওই কাঙবু অমনা ফাখ্রে।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোনে (লোংমাই) পার্ট-ফোর দা ঙরাং নুমিদাংপুং ৯.৩০ রোম তাবদা জেদয়ুএফনি চিংনবা মীওইশিং অদুনা থবক মফমদগী শিন্মী অনি অদু ফারগা পুখিবনি। ফাখ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোন্নাখোংদগী ৱাইখোম শ্যামজাই ৪৫ (অপোকপা জুগিন্দ্রো) অমসুং আসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জিরিঘাটতগী প্রোজিন বিদুং ৩৫ (অপোকপা কিতিস) নি। মখোয় অনিমক ঐচভিএস কন্সট্রক্সন প্রাইবেট লিমিটেদ, ইম্ফালগী শিন্মীনি হায়রি।

‘অৱাং নোংপোককী মীয়াম্বু মুথৎনবা শেম্বা বিলনি’

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০ঃ লোক সভাদা থা অসিগী ৮ দা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসিনা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নুংশিননা খুন্দা-লৈতামিন্নরিবা মঙ্গোলোইদ ফুরুপকী মনুং চল্লিবা নাতোন নম্বা, মীৎ খুবা কাংলুপ / ফুরুপকী য়েলহৌমী মীয়ামগী কাংখুল মুথৎনবা থৌশিলনি হায়বনি ময়েক শেংলে হায়না ইরমদম কনবা অপুনবা লুপ (ইকল) না চেরোল অমদা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা বিল অসিগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

লমদম অসিগী য়েলহৌমী মীয়াম্বু অফম্পা, ১৯৫৮ না লৈনাং তানা নৈখাইবদা নত্তনা লমদমসিগী মীয়াম্বু ঙায়োক চফুদগী ফানিংবা মতমদা ফারগা পোপ-পোপ থোমদুনা হাৎতোক্লি। খুরক্তগী লিথহৌবা মশিং য়ামজদ্রবা অৱাং নোংপোক লমদম গী য়েলহৌমী মীয়ামগী মথক্তা হিংচাবগী শক্তম লৌরিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসি চৎনহনবগী চৈথেংনা নুংশিরবা লমদম অসিবু তুংওইনরম্লগা অৱাং-নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমী মীয়াম্না ঐখোয়গী য়ুমতাংফম / শৈতাংফম থিবা শোয়দনা চৎখিবা মশানা তাবনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান অমদি বাংলাদেশতগী লোনা য়াদনা চঙশিল্লকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেইন, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়ানশিংবু ইন্দিয়া মচা ওইনা শক খঙবগী অয়াবা পীরবা মতুংদা মথক্তা পনখ্রিবা লাইনিংশিং অসিবু চৎপা মীওইশিং অদু অৱাং-নোপোক লমদমদা মখোয়গী লৈফম ওইহন্নবা থাজিল্লক্কদৌরিবনি। মতমদুদা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিংনা লমদমসিগী য়েলহৌমী মীয়ামগী মশিংদগী হেনখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা নোংমদি শোয়দনা লমদম অসিগী মপু ওইখিগনি।

য়েলহৌমী খুন্নাইগী শক্তমদসু মরিং মরাংহনবদা নত্তনা য়েলহৌমী মীয়ামগী কাংখুল শোয়দনা মুৎখিগনি। মরমসিনা মণিপুর লৈঙাকনা মতম চুপ্পগী ওইনা মালেমগী লৈমাইদগী মাঙখিগদৌরবা য়েলহৌমী মীয়াম্বু কলহৌনবগীদমক সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ অসিগী মায়োক্তা বিল অসিবু লমদম অসিদা চৎনহন্দনবগীদমক মণিপুর লৈঙাকনা অচেৎপা ফিরেপ লৌবীনবা ইকলনা লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি।

অদুগা মুৎখিগদৌরবা য়েলহৌমী ময়ামগী খোল্লাও অসি নাকোয়ননা থল্লগা মীরেপ মীখলগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরক্লগদি মীয়াম্না তুমিন্না খাংদুনা লৈথোক্লোই অমদি ইকলনা মাঙজিল থানা মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

M/S. BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai Near, Khongjom War Memorial
GSTIN – 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate (Rs.)	No. of Bricks	Amount (Rs.)	T / Charge (Rs.)	Labour (Rs.)	Total (Rs.)
1st Class	12.80	3,000	38,400	3,200	800	42,400
1st Class	12.80	2,000	25,600	2,100	500	28,200
1st Class	12.80	1,500	19,200	1,600	400	21,200
2nd Class	12.00	3,000	36,000	3,200	800	40,000
2nd Class	12.00	2,000	24,000	2,100	500	26,600
2nd Class	12.00	1,500	18,000	1,600	400	20,000
1st Reject	11.50	3,000	34,500	3,200	800	38,500
1st Reject	11.50	2,000	23,000	2,100	500	25,600
1st Reject	11.50	1,500	17,250	1,600	400	19,250
P.T.	10.50	3,000	31,500	3,200	800	35,500
P.T.	10.50	2,000	21,000	2,100	500	23,600
P.T.	10.50	1,500	15,750	1,600	400	17,750
3rd Class	7.00	3,000	21,000	3,200	800	25,000
3rd Class	7.00	2,000	14,000	2,100	500	16,600
3rd Class	7.00	1,500	10,500	1,600	400	12,500
Checktek 1 Load 407 Cantor			5,500	1,600	400	7,500

TSE/2364–5,6,8,9,10,...
Please Contact :-
1. Production – 1, BIKOM – 7005134130
2. Production – 2, KANTA – 9615839170

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
ADVANCED
FOUNDATION COURSE
CLASSES XII & X
Classes commencing from 14th January 2019

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019-20exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2020 final exam.

Seats are limited
First come
First Served

TSE/D-23M...

Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
Limited Seats!
BOARDING FACILITIES FOR BOTH BOYS & GIRLS (Separate Compound)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018-19
CLASS - I TO X (Both CBSE & BOSEM)
Contact: 9612194500 | 8794386523
REVISION FOR CLASS-X
Subject: Maths, English, Science, Social Science
* PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
* PROBABLE SUGGESTIONS
* SPECIAL TEST SERIES
* COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
* WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
* VAN SERVICE AVAILABLE
FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 1000/- Month) CLASS VI TO VIII (Rs. 1200/- Month) CLASS IX & X (Rs. 2500/- Month)
CLASSES STARTING FROM 20th DEC., 2018 & 10th Jan. 2019
TSE/2303–31
Timing: (Summer) 4:30 am to 7:30 am (Morning) 5:00 pm to 8:00 pm (Evening)
Timing: (Winter) 5:00 am to 8:00 am (Morning) 4:00 pm to 7:00 pm (Evening)

Free Registration is going on... Golden opportunity !
RHYME TEACHERS’ SPECIAL TRAINING
1 (one) Month free Special Training (16th Jan to 16th Feb. 2019)
Classes will commence on 16th Jan. 2019 (Wednesday)
Timing for Special Class : 10:00 am to 1:00 pm (Daily)
Venue : The Children’s personality Development Training Centre, Wangkhei Ayangpalli near Eden Public School, I/E.
Limited Seat 50 only
Sponsored by Hidam Bashu Training Centre.
* Limited forms are available during 8:00 am to 1:00 pm. (Daily)
“Specially for poor family youths”.
Only Sunday Special Training also available.
Related Information call us : 8414976439, 9774616943.
TSE/2366–9

CFC
Centre for Competitors
Old Lambulane, Jail Road, Opp. GP Women’s College, Imphal - 795001
Special
ADVANCED BANKING COURSE (4 months)
For
IBPS & SBI
Class commencing: 10th Jan’19
Morning: 6:30 – 9:00 am
GENERAL FOUNDATION COURSE (6 months)
For
IBPS SBI SSC Govt Jobs in Manipur Central Govt Jobs
Class commencing: 10th Jan’19
Morning: 6:30 – 9:00 am
TSE/2369-6,8,9...E+M
For details, please contact: 0385-2442908, 8257874275

WANTED PRINCIPAL & TEACHERS
THE COMBINED ENGLISH SCHOOL
Lansonbi Bazar, Awangkhunou, NC Road
*Applications are invited for PRINCIPAL & TEACHER post for the academic year 2019
*Candidate must submit all related documents & two passport photos.
Interview date & time : 16th january. 2019. 11 a.m.
1.PRINCIPAL:
Qualification:Minimum M.A/Msc., B.Ed., Age 45-60 & 3 to 5 years experience in same post.
2. TEACHER:

Name of the post	No.	Qualification	Exp.	Pay
1. English Asst. Teacher	1	BA/MA, D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
2. Meetei Mayek Asst. Teacher	2	BA/MA, D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
3. Chemistry Asst. Teacher	2	B.Sc/M.sc., D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
4. Maths Asst. Teacher	2	BA/MA, D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
5. Social Science Asst Teacher	2	BA/MA , D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
6. Computer Asst. Teacher	2	BCA/MCAwith D.El.Ed/B.Ed	2	Rs7000-8000
7. Rhyme Teacher	3	BA/Bsc. & Rhyme trained		Rs. 4000-5000

* Freshers also can apply but pay will be different.
Contact : 9774900901
TSE/7912-6,8,9...M

WANTED TEACHERS
ST. SAVIO SCHOOL
LANGOL, NEAR SHIJA HOSPITAL
Applications on prescribed format are invited from the intending candidate for recruitment of the following post.

Sl.No.	Name of Post	Qualification	No. of Post
1	ENGLISH	B.A./M.A. (English)	1
2	MEITEI MAYEK	B.A./M.A. (Manipuri)	1
3	PRIMARY TEACHER	GRADUATE	1
4	RHYMES TEACHER	Trained	1

Note: Last date for submission of application along with requisite documents : 16th January 2019
Date of Interview: 17th and 19th January 2019
For more details please contact- 7005292070 / 8730913663
Tse/7987-10
Sd/- Principal
St. Savio School, Langol

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

Sl.	Name of Post	Salary	Post	Qualn.
1.	Direct selection & joint for Airport Job vacancy of Bangalore & Hydrabad (Semi Govt. Job 50% seat reserved for ST)			
	i. Air Ticketing / Customer Service CSA	17,000 – 60,000	50	G/M
	ii. VIP Foreign staff / Meet & Asst Staff.	15,000 – 50, 000	40	XII/G
	iii. Airport Driver (Heavy/Light)	19,000 – 90,000	20	VIII/X/XII
	iv. G-Loader / Customer Potter	13,000 – 60,000	40	VIII/X/XII
	v. Airport Security Guard	15,000 – 40,000	20	VIII/X/XII
	vi. G-Retial CSA / G-Shopping male	15,000 – 40,000	20	X/XII
	vii. Air Hostess (Fresher) / Cabin Crew	65,000 – 3 lakhs	10	XII/G
2.	Banking Sitting Staff at Imphal			
	i. Banking Sitting Staff	17,000 – 18,000	15	G/M
	ii. Account opening staff	15,000 – 60,000	20	G/M
	iii. Civil Engg / Mech. Engg.	25,000 – 90,000	20	G/M
3.	In Imphal Post Vacancy 100% success guide			
	i. Office Reception / Advertising Man.	6,000 – 20,000	20	G/M
	ii. Security Guard (Man/Women)	6,000 – 10,000	30	VIII/X
	iii. VIP Gunman guard / Ex-Servicemen	8,000 – 15,000	20	VIII/X
	iv. Accountant / Cashier / Micro RO	7,500 – 40,000	40	X/XII
	v. Security Supervisor / Driver	7,000 – 15,000	20	VIII/X
	vi. PHP, My SQL Web/Net/Android Devp.	8,000 – above	10	G/M
	vii. Soft. Engg./Android Dev. (Fresher/Exp.)	10,000 – above	10	G/M
	viii. Warden / Reception (Male)	7,000 – 20,000	10	XII/G
	ix. Driver / House keeping (Male)	5,000 – 10,000	10	VIII/X
	x. Micro Finance CRO	6,000 – 40,000	20	XII/G
	xi. Writing copy at House (any person)	Rs. 300 per copy	50	VIII/X
4.	No Deposit No Donation work at Imphal			
	i. Manager (M) / Account	6,000 – 15,000	15	G/M
	ii. Driver / Helper / Car Wash	5,000 – 10,000	15	VIII/X/XII
	iii. Salesman / Marketing Manager	8,000 – 15,000	50	VIII/X/XII
	iv. Sales – Executive / Company Salesman	5,000 – 10,000	20	VIII/X/XII

Date of Submission : 31-01-2019
Date of Interview : 01-02-2019
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.
TSE/2374-8E..
Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate